# পুলিসনা প্রিমিয়ার লিগকী গেমশিং তোঙান তোঙানবা নেচরেল ভেন্যুশিংদা পাংথোকপা পাল্লি




লন্দন, মে ২৯ ঃ বৃটিশ পুলিসকী মায়কৈদগী য়ামদ্রবদা প্রিমিয়ার লিগকী মেটচ ৬ তি নেচরেল ভেন্যুশিংদা পাংথোকপা পাল্লি। কোবিদ ১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা লেপ্তুনা লৈরিবা ইংলিস প্রিমিয়ার লিগকী মেটচশিং মখা চত্থরকপা মতমদা টাইটল মমাংদা লৌখিবা লিভরপুলনচিংবা ক্লবকী মেটচ শান্নরকপা মতমদা ক্লব অসিগী সপ্পোর্টরশিংনা ষ্টেদিয়মদা থোমজিনলকপদু থিংনবা নেচরেল ভেন্যুদা মেটচশিং পাংথোকপা পাল্লি। নীংশিংবা য়াবদি প্রিমিয়ার লিগ চিফকী মায়কৈদগী লেপ্তুনা লৈরিবা প্রিমিয়ার লিগকী সিজন জুন ১৭ তগী মখা চত্থনবা মতম লাওথোকখ্রে। ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী সিজন অসিগী ওইনা প্রিমিয়ার লিগী মেটচ অয়াম্বা ক্লোজ দোর ষ্টেদিয়মশিংদা নত্রগা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা ক্লবশিংগী মশাগী ষ্টেদিয়মশিংদা শান্নবা থৌরাং তৌরিবনি। অদুবু পুলিসকী মায়কৈদগীদি ক্লবশিংগী হার্ট কোর ফেনশিংনা সোসিয়েল দিস্তেন্সিংগী রুল থুগায়রগা মখোয়না পামজবা ক্লবশিংগী শান্নরোইশিংনা শান্নবা মেটচ য়েংনবা হোৎচিন্নরকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা য়াই।

লিভর পুলগী ওইনা সিজন অসি মায়পাক্তুনা টাইটল লৌনবগী মেটচ অনিখক মায় পাক্কদবা খক্তা ঙায়শিনলকপা অসিনা ক্লব অসিগী ফেনশিং ষ্টেদিয়মদা চংহন্দনবা হোৎনবদা পুলিসতা অৱাবা ওইগনি। করিগুম্বা ফুটবোল শান্নরিবা ষ্টেদিয়মগী মপান্দা ভাবোকশিং মশিং কা হেন্না থোমজিনলকপা তারবদি পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়বু তাম্থোক্লবা হোৎনবদা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লবা য়াই। মরম অসিনা মঞ্চেস্তর সিটি অমসুং লিভরপুল, মঞ্চেস্তর সিটি অমদি ন্যু কাসল, মঞ্চেস্তর য়ুনাইতেদ অমদি সি ফিল্ড য়ুনাইতেদ, ন্যু কাসল অমদি লিভর পুল লোয়ননা ইভরতোন অমসুং লিভর পুলনা শান্নগদবা মেটচশিং অদু ক্লবশিং অসিগী মশাগী গ্রাউন্দ নত্তবা নেচরেল গ্রাউন্দা শান্নবনা হেন্না খুদোংচাগনি। পুলিসকী মায়কৈদগী প্রিমিয়ার লিগকী ওর্গনাইজরশিংগা হীরম অসিদা ৱারি শান্নরে। পুলিসনা খ্বাইদগী মরু ওইনা ফোংদোক্লিবা ৱাফমদি প্রিমিয়ার লিগকী মেটচশিং শান্নবা হৌবদা মীয়ামগী হেলথতা অকায়বা থোকহন্দনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদব নি হায়বসিনি। মরম অসিনা ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী পুলিসনা মীয়াম কন্ত্রোল তৌবদা অৱাবা থেংনগদবদু হস্থহন্নবা থৌরাংগী মখা তানা মেটচ খরানা নেচরেল ভেন্যুদা শান্নহল্লগা অয়াম্বা মেটচশিংনা হোম এন্দ অৱেদা শান্নবা হায়না থৌরাং তৌরি। করিগুম্বা মেটচ অসি হেক হৌবগা মঞ্চেস্তর সিটিনা আর্সেনেলগী মখুত্তা মায়থিবা নংলগদি অহানবা চয়োল মক্তুদা লিভর পুলনা প্রিমিয়ার লিগকী টাইটল ঙন্তানা লৌবা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ। মরম অসিনা লিভর পুলনা টাইটল লৌবা য়াবা মেটচশিং শান্নরকপা মতমদা মেটচ শান্নফম অদু নেচরেল ওইবা ভেন্যুদা হোংদোক্লগা শান্নবা হায়বসি য়াম্মা মরু ওই হায়বসিনি। পুলিসকী ৱাফম অসি ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগীসু য়ারিবমখৈ শিন্দোক শিঞ্জিন তৌনরগা কা হেন্না ইরাং থোকহন্দনা সিজন অসি লোয়শিনবা য়ানবা হোৎনগনি হায়রি।

# পেত্রা কিবিতোভানা ওল জেক টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



প্রাগ, মে ২৯ ঃ নোবেল কোরোনা ভাইরসকী সত দাউন্না মরম ওইরগা চহী অসিগী মার্চ থাদগী টেন্নিসকী মশান্না খুদিংমক লেপ্তুনা লাকপা মরক্তা অহানবা ওইনা কোবিদ ১৯ গী মরক্তা পাংথোকপা ওল জেক টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল ৱার্ল্ড নম্বর ১২ পেত্রা কিবিতোভানা লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ফ্রেন্স ওপন্দা শেৎকদবা ফিজোল শেত্তুনা থোরকখিবা পেত্রা কিবিতোবানা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফ্রেন্স ওপনগী ক্লে কোর্টতা শান্নবা ফংদ্রবসু ওল জেক টুর্নামেন্ট অসিদা মায়পাকপা ঙম্বসি নুঙাইবা ফাওই হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি প্রাগতা পাংথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসি অতোপ্পা মপান লমগী টেন্নিস প্লেয়ার অমত্তা য়াওহনবা তৌদনা জেক রিপব্লিক্কী নুপা অমসুং নুপীগী তোপ টেন্নিস প্লেয়ারশিং খক্তুনা শরুক য়ারগা চত্থবা টুর্নামেন্টনি। টুর্নামেন্ট অসি ভাবোক অমত্তা য়াওহন্দনা পাংথোকপগা লোয়ননা বোল বোই অমদি গলশিংসু হেন্দ গ্লোব অমদি ফেস মাস্ক উপ্পগা শরুক য়াহনবা অহানবা টেন্নিসকী টুর্নামেন্ট ওইরি। টুর্নামেন্ট অসি মার্চ থাদা প্রোফের্সনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট পুন্নমক কোবিদ ১৯গী লাইচৎনা সসপেন্দ তৌদুনা লৈখ্রবা মতুং ইহান হান্না শান্নবা টুর্নামেন্ট ওইরি।

প্রাগকী টুর্নামেন্ট অসিগী মতুংদা অতৈ মফম কয়াদসু টেন্নিসকী টুর্নামেন্টশিং পাংথোক্লবা থৌরাং তৌনখ্রে। জর্মনি অমসুং য়ুনাইতেদ স্তেটসতা টুর্নামেন্ট নত্তবা অমদি ভাবোক য়াওদনা এক্সিবিসন মেটচ খরা খরা শান্নবদি হৌখ্রে। চয়োল অসিদগী হৌনবা থৌরাং তৌরম্বা ফ্রেন্স ওপনসু য়েথোক্তুনা লৈরি। নীংশিংবা য়াবদি ওল জেক টুর্নামেন্ট অসিদা কিবিতোভানা সিজন অসিগী অনিশুবা গ্রান্দ স্লম ইভেন্ট ওইগদৌরিবা ফ্রেন্স ওপন্দা শেৎনবা থৌরাং তৌরম্বা ফিজোলশিং শেৎলগা শান্নখি। করিগুম্বা ফ্রেন্স ওপন অসি হান্না লেপখিবা মতমদা কায়দনা চত্থরম্বা তারগদি নাইক কম্পনিগী মায়কৈদগী মঙোন্দা করিগুম্বা খরদি পীরক্লমগনি খল্লি হায়না ৱিমব্লেদনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন অনিরক লৌখ্রবা পেত্রা কিভিতোভানা ফোংদোক্লি।

মহাক মশাগী ওইনা নুমিৎ খুদিংগী মহাক্কী মশান্নদা ফগৎহনবা ঙম্লে। মরম অসিনা লোকদাউন অমদি কোবিদ ১৯ পেন্দেমিক্না প্রোফেস্নেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট লেপ্তুনা লৈরবসু মশাদি পোজিটিব ওইনা লৈ। অমরোমদা প্রাগতা পাংথোকপা ওল জেক টুর্নামেন্ট অসিদা ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি কেরোলিনা প্লিসকোভা অমদি মমাং চহীগী ফ্রেন্স ওফন ফাইনেলিষ্ট মার্কেটা বোন্দ্রোসোভা অনিদি উবা ফংখিদে। অসিনা মরম ওইরগা পেত্রা কিবিতোভানা ৱার্ল্ড রেঙ্ক ২৬ শুবদা লৈরিবা কেরোলিনা মুকোভাগা ফাইনেলদা লম্বা পান্নখি। মমাংঙৈদা তৌনবগুম ফাইনেল মেটচ অসি লোয়রবা মতুং প্লেয়ার অনিগী মরক্তা খুৎ শোক্লবা অদু হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিদদি প্লেয়ার অনিগী রেকেট শিং অদু ওইনা শোক্করগা লোয়শিনখ্রে। মুকোভাবু ফাইনেলদা ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীখিবা অদুদা কিবিতোভাগী মায়কৈদগী সেত অমা ফাওবা মাংহন্দনা ফাইনেল অসি মায়পাকখি। জেক টেন্নিস ক্লবতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি নোংনা মরম ওইরগা মতম খরা থেংথহনখি। নীংশিংবা য়াবদি কিবিতোভানা ইকোন কোন্না শান্নখিবা প্রোফেস্নেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা ক্কাটার ওপন্দা শান্নখিবনা ওইরি। কাটার ওপনগী ফাইনেলদা পেত্রা কিবিতোভা বালরুসিয়ান আরিয়ানা সবলিঙ্কাগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি। অদুবু জেক ওপনগী ফাইনেল অসিদদি কিবিতোভাগী মায়কৈদা য়াম্না ফজনা শান্নখি। মহাক্কী মায়কৈদগী ভাবোক য়াওদনা টেন্নিস শান্নবা অসি অরাইবা অমদি ওইখিদে। অদুবু তঙাই ফদনা ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট অসিদা ভাবোক অমত্তা য়াওদনা শান্নখিবনি হায়রি। অমরোমদা নুপা কাংলুপকী সিঙ্গলসতা চহী ২০ খক্তা ঙায়রিবা মায়কেল বেলবিন্সকীনা জেদনেক কোলারবু ৫–৪, ৬–৭, ১০–৮ তা মায়থিবা পীখি। রেঙ্ক ৪০৫ তা লৈরিবা বেলবিন্সকিনা তোপ সিদেদ ৬৫ শুবদা লৈরিবা জেরি বেসেলিবু অহানবা রাউন্দা মায়থিবা পীরমখি।

# সেপাক তাক্রৌদগী হৌরগা লাক্রোসিনচিংবা মশান্না ইন্দিয়াদা খংবা ৱাৎলি



ন্যু দিল্লি, মে ২৯ ঃ ইন্দিয়াদা স্পোর্টস হায়রগা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খংনরিবা মশান্নশিং অসি ক্রিকেট, ফুটবোল, হোক্কি, বেদমিন্তন, টেন্নিস, চেছ, টেবল টেন্নিস অমদি বাস্কেতবোল নচিংবা খরা অসিনি। ময়াম অসিগী মরক্তা ক্রিকেট মশান্না খ্বাইদগী পাম্নবা ইন্দিয়াগী মী অয়াম্বনা খংনবা মশান্না ওইরি। মখা তানা বোক্সিং, রেষ্টলিং, মোটো স্পোর্টসনচিংবা মশান্না খরসু ইন্দিয়াগী মফম খরাদদি য়াম্না পাম্নবা মশান্না ওই। অদবু লৈবাক শিনবা থুংনা মশক খংনবা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা মশান্নদি ওইদে। মরক অসিদা ওলেম্পিক্তা য়াওরবা মশান্না ওইরবসু ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়াম্না শকখংনদ্রিবা গেম খরাসু ইন্দিয়াদা লৈরি। মশান্নশিং অসি ওলেম্পিক অমদি এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াদগীসু মহুৎ শিন্দুনা শান্নরোইশিং কম্পিটিসন্দা য়াওরিবনি। ইন্দিয়াগী মীয়াম্না খংনদবা মশান্নশিংগী মনুংদা লাক্রোসি হায়রিবা মশান্না অসিসু অমনি। অৱাং অমেরিকাদগী হৌরকখিবা চৈ অমদি বোলনা শান্নবা টিম স্পোর্টস অসি কুমজা ১৯০৪ অমদি ১৯০৮ কী সম্মর ওলেম্পিক গেমসতা য়াওখি। মশান্না অসিগী গভর্নিং বোডি ৱার্ল্ড লাক্রোসিনা চহী ৪। ৪ লৈরগা ৱার্ল্ড লাক্রোসি চেম্পিয়ন্সিপ পাংথোক্লি। মসিগী মথংদা ক্রোপ ৱার্ল্ড হায়বা মশান্না বাস্কেত বোলগা য়াম্না মান্নবা মশান্না অমসু লৈরি। মশান্না অসি বাস্কেতবোলগা য়েংবদা হায়রপ মান্নরগসু টিম অমদা মীওই ৮ না শাবদা মীওই ৪। ৪ নুপা অমসুং নুপী শান্নরোইশিং য়ানশিন্নরগা শান্নে। মসি নত্তবা শান্নবগী মওংদি বাস্কেতবোলগা চপ মান্নে। মালেমগী ওইনা লৈবাক ৭০ হেনবদা শান্নরিবা মশান্না অসি কুমজা ১৯২০ অমদি ১৯২৮ কী সম্মর ওলেম্পিক্তা নন কম্পিটিটিব দেমোন্সত্রেসন গেম ওইনা শরুক য়ারি। অমরোমদা খা নোংপোক এসিয়াদা য়াম্না পাম্না শান্নরিবা মশান্না অমা ওইরিবা সেপাক তাক্রৌ অসি ইন্দিয়াদা মশক খংবীবা ৱাৎলি। খোংগী বোল্লিবোল হায়রগা হেন্না খংনবা মশান্না অসি শান্নবগী মওং মতৌ বোল্লিবোলগা য়াম্না মান্নে। খেন্নরিবা হায়ববু বেল্লিবোলনা খুৎনা শান্নবদা সেপাক তাক্রৌনা খোং কোক অমদি থবাক নচিংবা শিজিন্নরগা শান্নবনি। মশান্না অসি ওলেম্পিক্তা য়াওবা মশান্না ওইবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগীসু টিম থাদুনা এসিয়ান গেমসনচিংবদা টিম পুথোকখ্রে। অদুবু মীয়াম্না মশক খংবীবা মশান্নদি ওইদ্রি। অমরোমদা য়ুনেসকোনা হেরিটেজ মশান্ননি হায়না লাওথোকখ্রবা অলতিমেত হায়বা মশান্না ইন্দিয়াদা মশক খংবীদ্রি। মশান্না অসি ইন্দিয়া ২০২৪ সম্মর ওলেম্পিক গেমসতা য়াওবদা আই ও সিনা অয়াবা পীখ্রবনি।

# ওলেম্পিক্কী ইভেন্ট ওইদ্রবসু সুরেখানা কম্পাউন্দ ইভেন্টা লেংদনা লৈবা পাল্লি



ইম্ফাল, মে ২৯ ঃ মশাগী চহী ২৩ শুরবী ইন্দিয়াগী আর্চর বেনম জোথি সুরেখানা মহাক্কী ইভেন্ট অমা ওইরিবা কম্পাউন্দ কেটেগোরিদগী লেংদনা লৈবা পাম্মি হায়না ফোংদোরক্লি। অদুবু হায়রিবা কেটেগোরি অসি ওলেম্পিক গেমসকী আর্চরিগী ইভেন্টা মনুং চন্দবা ইভেন্ট অমা ওইরি।

অন্ধ্র প্রদেশকী বিজয়াৱাদাগী অম্ব্রাবতিদা কুম ১৯৯৬ কী জুলাই ৩ দা পোকখিবী মশাগী চহী ২৩ খক্তা ঙায়রিবী সুরেখানা ইন্দিয়ান আর্চরি ৱুমেন্স টিমদা লৈদুনা হৌজিক মহাক মশামক্কী ৱার্ল্ড রেঙ্কিং অসি ১২ শুবা পোজিসন্দা লৈরি। মালেমগী থাক্তা মেদল কয়ামরুম লৌবা ঙমখ্রবী সুরেখানা আর্চরি মশান্না অসিদা নত্তনা লাইরিক লাইশুগী লমদসু য়াম্না খুমাং চাওশিনলিবী অমনি। মহাক ইঞ্জিনিয়ারিং অমদি বিজিনেস এদমিনিস্ত্রেসনগী গ্রেজুয়েট অমসু ওইরি। লৈবাক অসিদা লোকদাউন্গী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা মহাক মশামক্কী ওইনা ফিটনেসকীদমক কন্না হোৎনরবসু প্রাক্তিসকীদমক্তদি খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি। সুরেখানা ফোংদোকখিবদা আর্চরি মশান্নগী ওইনা কম্পাউন্দ ইভেন্ট অসি ওলেম্পিক্কী ইভেন্ট অমা ওইদ্রবসু কম্পাউন্দবো অদু পায়দুনা লেংদনা কেটেগোরি অসিদা শান্নবা পাল্লি হায়না ফোংদোরক্লি। হায়রিবা কেটেগোরি অসিদা মহাক্না ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া মরুম পীবা ঙমখিবা অসিগুম্না অতোপ্পা ইভেন্টশিংদা পার্ফোমেন্স উৎপা পামদে। কোবিদ ১৯ গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মহাক মশামক্কী ওইনা পাংথোক্কদবা ত্রেনিংশিংদা অচৌবা শাফু অমা পীরে। মসিনা এপ্রিল থাদা পাংথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৱার্ল্ড কপ ৩ সু আগষ্ট থাদা পাংথোক্কদৌরিবা অসিদা নুংনাংবা ফাওই হায়রি।

পনবা য়াবদি জোথি সুরেখা অসি মশাগী চহী ৪ শুরকপদা লিমকা বুক ওফ রেকোর্ডতা চনবা ঙমখি। মহাক্না কিরোমিটর ৫ শাংবা কৃষ্ণ রিভরবু অহুমলক পুং ৩.২০,৬ তা লাম্থোকপা ঙমখি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা নেস্নেল অমদি ইন্তরনেস্নেল কম্পিটিসনশিংদা পুন্না মেদল ৭০ লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্কী ওইনা ইন্তরনেস্নেলগী থাক্তা লৌখিবা মেদলশিং অদুদি ৱার্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপকী ওইনা কুম ২০১৭ গী মেক্সিকো সিটিদা কম্পাউন্দ টিমদা সিলভর, কুম ২০১৯ দা কম্পাউন্দ টিমদা ব্রোঞ্জ অমদি কম্পাউন্দ ইন্দিবিজুয়েলদা ব্রোঞ্জ লৌখি। এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপকী ওইনা কুম ২০১১ গী তেহরানদা কম্পাউন্দ টিমদা ব্রোঞ্জ, কুম ২০১৫ গী বেঙ্কোক্তা কম্পাউন্দ ইন্দিভিজুয়েলদা গোল্ড, কুম ২০১৫ গী বেঙ্কোককী কম্পাউন্দ টিমদা সিলভর, কুম ২০১৭ গী ধাকাগী কম্পাউন্দ ইন্দিবিজুয়েলদা ব্রোঞ্জ, কুম ২০১৭ গী ধাকাগী কম্পাউন্দ টিমদা গোল্ড, কুম ২০১৭ গী ধাকাগী কম্পাউন্দ মিক্সতা সিলভর, কুম ২০১৯ গী বেঙ্কোককী কম্পাউন্দ টিমদা সিলভর অমদি কুম ২০১৯ গী বেঙ্কোকী কম্পাউন্দ মিক্সতা গোল্ড লৌবা ঙমখি। ৱার্ল্ড য়ুথ আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ্তা কুম ২০১৩ গী ৱুজি গী কম্পাউন্দ জুনিয়ার ৱুমেন্স টিমদা ব্রোঞ্জ অমদি কুম ২০১৩ ৱুজিগী কম্পাউন্দ জুনিয়ার মিক্স টিমদা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

# প্রোফেস্নেল টেন্নিস ইভেন্ট খুদিংমক জুলাই ফাওবা থিংজিনখ্রে

পেরিস, মে ২৯ঃ মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোবিদ ১৯ গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা এসোসিএসন ফোর টেন্নিস প্রোফেস্নেল (এ টি পি) অমদি ৱুমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ)না প্রোফেস্নেল টেন্নিস ইভেন্ট খুদিংমক মখা তানা জুলাই থা লোয়বা ফাও থিংজিনখ্রে।

সসপেন্সন অসিগা লোয়ননা এ টি পি অমদি দব্লিয়ু টি এ গী পুন্না কেন্সেল তৌখিবা টুর্নামেন্ট অসি ৪০ হেনখ্রে। এ টি পি গী মায়কৈদগী ৱারেপ অসি টুর মেম্বরশিংগা য়াম্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লৌখিবা ৱারেপ্নি হায়রি। মসিনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা মমিং লৈরবা ইভেন্ট কয়ামরুম পাংথোক্তবা য়ানা লৈরি। মসিদসু নত্তনা অনৌবা ৱারেপ অসিনা এ টি পি চেল্লেঞ্জর তুর অমদি আই টি এফ ৱার্ল্ড টেন্নিস টুরদা নুপাগী ইভেন্টশিংসু অকায়বা লাক্কনি হায়রি। নাকল অমরোমদা দব্লিয়ু টি এ গী মায়কৈদগীসু ৱারেপ অসিনা তোঙান তোঙানবা নুপীগী ইভেন্টশিং হান্না লেপখিবা মতমদগী অহোংবা কয়ামরু লৈরগনি হায়রি।

# লালিগা ২০২০–২১ সিজন সেপ্তেম্বর ১২ দগী হৌগনি




মেদ্রিদ, মে ২৯ ঃ কোবিদ ১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা থা অহুমলোম লেপ্তুনা লৈরিবা লালিগাগী সিজন অসি ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী থৌরাং তৌরিবা অসি কায়দনা চত্থবা তারগদি চহী অসি গী সেপ্তেম্বর ১২ দগী লালিগা ২০২০–২১ সিজন অমুক মখা চত্থগনি হায়রি।

মমাং চয়োলদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সিজন অসি মখা চত্থবগী অয়াবা পীরকখ্রবা মতুং ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী মমাংদা হৌজিনলুরগা লোয়শিন্দনা লৈরিবা লালিগাগী সিজন জুন ১১ দগী হৌরগা জুলাই ১৯ দা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি। মেটচশিং অসি ভাবোক অমত্তা য়াওদনা পাংথোক্কনি। অদুবু হৌজিক মক্কী ওইনা ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফিক্সর লাওথোকপদি লৈত্রি। হৌজিক্কী ওইনদি হান্না হৌজিনলুরবা সিজন অসিগী মেটচশিং লোয়শিনহনবদুনি।

লালিগাগী ওইনা খ্বাইদগী খুদোংচাদবা মতম অদু কোবিদ ১৯ গী পেন্দেমিক অসিনা ওইরি। অদুবু খুদোংচাদবা কয়া অসিগী মরক্তা ওর্গনাইজরনা লালিগা মখা চত্থনবা থৌরাং তৌবা ঙম্বসিদা চাওথোকচবসু ফাওই হায়না লালিগাগী প্রসিদেন্ট জাবের তেবাসনা ফোংদোক্লি।

হৌখিবা মার্চ ১২ দগী য়েথোক্তুনা লাকখিবা লালিগাগী করেন্ট সিজন অসি জুন ১১ দগী হৌরগা জুলাই ১৯ দা লোয়শিনলবা মতুং মথংগী সিজনগীদমক শেম শাগদৌরিবনি। হৌজিক ফাওবদা কোবিদ ১৯ না মরম ওইরগা লালিগাগী ক্লবশিংনা চহী অসিগী ওইনা য়ুরো বিল্লিয়ন অমরোমগী শেনফম মাংজরগনি। য়াম্লবা শেনফম অসি পুলপ ওইনা মাংখিগদবদগী খরদা ওইরবসু কলহৌনবা পান্দমদা লালিগাদা য়াওরিবা ক্লবশিংনা লেমহৌরিবা রাউন্দ ১১ গী মেটচশিং অসি জুলাই ১৯ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লিবনি হায়রি।

Editor: **Laishram Kumar** Printed & Published by **Ng. Devendro Meetei** on behalf of himself at **Lamyanba Printers**, Konung Lampak, Imphal - 795001 (RNI No. MAN MAN 2004/14847) Phone : **2461901**, **9436296510** e-mail: ***ireibak@yahoo.com*** Fax - **2461901**